# ‘কম্পেন্সেসন পীদবগী র্যানএয়রগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি’

লন্দন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

য়ু কেগী কষ্টমর লিশিং কয়াদা কম্পেন্সেসন পীয়ু হায়বা য়াদবগীদমক র্যানএয়রগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা কালেনদা র্যানএয়রগী পাইলোটশিং অমসুং কেবিন ক্রুনা ষ্ট্রাইক তৌবদগী কষ্টমরশিংদুগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখি নৎত্রগা থিন্থখি হায়রি।

সী এ এনা হায়, ঈ য়ুগী লোগী মখাদা য়ু কেগী কষ্টমরশিংদু কম্পেন্সেসন পীফম থোকই। অমরোমদা, র্যানএয়রনদি ষ্ট্রাইককী খোঙথাং অদু তঙাইফদবা ফীভম অমসুং মতমগা মান্নে, অদুনা কষ্টমরশিংদা কম্পেন্সেসন পীনিংঙাই ওইদে হায়রি। র্যানএয়রগী পেসেঞ্জরশিংনা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী নৎত্রগা থিন্থবগা মরী লৈননা চহী অসিদা কম্পেন্সেসনগী ক্লেমশিং থাঙ্গৎলকপগী চাং অসি অতৈ এয়রলাইনশিংদগী হেল্লি।

ওল্টরনেটিভ দিস্প্যুট রিজোল্যুসন (এ দি আর) সার্ভিসকী ফিগরশিংনা এয়রলাইন অসিগী পেসেঞ্জরশিংগী আপিলশিং অদু আপিল পুন্নমক্কী চাদা ৩০ ওইদুনা অতৈ এয়রলাইনশিংগী হেনখি। কুমজা ২০১৮ গী অহানবগী থা মাপনগী মনুংদা এ দি আরনা কমপ্লেন ট ২২,১৫৯ ফংখি, তৌইগুম্বসুং র্যানএয়রগী কেস ৬,৬৫৩ গী মনুংদগী ১,৩৪৭ তমক প্রোসেস তৌখি। সী এ এগী মতুংইন্না, ঈ য়ু লেজিসলেসনগী মখাদা ফ্লাইটশিং পুং ৩ নৎত্রগা হেন্না চোন্থরবদি, কেন্সেল তৌরবদি নৎত্রগা তোংহন্দ্রবদি পেসেঞ্জরশিংনা ঈ য়ু ২৬১ ক্লেম থাঙ্গৎপা য়াই।

অতৈ এয়রলাইনশিংগুম্না র্যানএয়রসু এ দি আরনা লৌরকপা ৱারেপশিং ইন্নবা সাইন তৌখ্রবনি। হৌজিক র্যানএয়রনা সী এ এদা এ দি আরগা পুরকখিবা য়ানবা অদু মখোয়গী মায়কৈদগী লোইশিন্নখ্রে। অদুগুম্বা র্যানএয়রগী এক্সন অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক কম্পেন্সেসনগী ক্লেম তৌনরিবা পেসেঞ্জরশিংনা সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিগী এনফোর্সমেন্ট এক্সন ঙাইবা চঙগনি হায়না সী এ এনা ফোঙদোকখি।

ষ্ট্রাইক তৌবদুনা মরম ওইদুনা মাঞ্চেষ্টরদগী মশাগী চহী ২১ শুরবী হেলেন দবিস্যাবনা মহাক্কী মনাওনুপী অবিগাইল (১৮) গা লোয়নননা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা বর্লিনদা কোয়বগী মতম মখোয়না হল্লকপগী র্যানএয়র ফ্লাইট কেন্সেল তৌখিবদগী তেনশিনবা তাখি। থৌদোক অদুদগী মহাক্না কম্পেন্সেসন ক্লেম তৌনবা হোৎনদুনা লাকখি। ক্লেম অদু মশানা তৌখিবদা নৎতনা ক্লেম কম্পেনি রিজোলভরগী খুত্থাংদসু তৌখি। তৌইগুম্বসুং র্যানএয়রনা মহাক্কী ক্লেমদু য়াখিদে। বি বি সীদা মহাক্না হায়, র্যানএয়রগী থৌওং অদুদা ঐখোয় তশেংনা নীংবা কায়খি, মরমদি ঐখোয়না চহী চুপ্না মদুদা থাজদুনা লাকখি। র্যানএয়রনা মতুং তারকপা চয়োল অদুদা ঐখোয়দা ফ্লাইট অমা ওফর তৌখি, তৌইগুম্বসুং থবক চিনবা অমসুং কলেজগী তঙাইফদবা লৈবদগী মথংগী নুমীৎতা ঐখোয় পাইশিনবা তাখি।



# ম্যুলর ইনভেষ্টিগেসন : ত্রম্পকী এদভাইজর মাইকল ফ্লিনদা জেলগী চৈরাক পীররোই

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

কুমজা ২০১৬ কী য়ু এসকী মীখলদা রসিয়ানা খুৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা থিজিল্লিবা স্পেসল কাউন্সেলনা হান্নগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর মাইকল ফ্লিনবু জেলদা থম্বা য়ানবগী থৌরাং অমত্তা মহাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলরোই হায়খ্রে।

হান্নগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর মাইকল ফ্লিননা এফ বি আইদা ওইদবা ঙাঙখি হায়বা য়াজখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং রোবর্ট ম্যুলরগী মেমো অমনা হায়, ফ্লিননা ত্রম্পকী মীখলগী টিমগা রসিয়ন ওফিসলশিংগা লৈনখিবা মরীশিংগী অকুপ্পশিং পীখি। সেন্সর তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংবা মেমো অদুনা তুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পদা অকায়বা পীরকপা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙলকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ইনভেষ্টিগেসন অদুবু মীঙোন্দা মরাল পীশিন্নবা হোৎনবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মীখলদা মহাক্না মায় পাক্নবা মহাক্কী টিমগা রসিয়ন ওফিসলশিংগগী মরক্তা লৌতুনবা লৈখি হায়বা ৱাফম য়াখিদে।

হৌজিক ফাওবদা লৌতুনখি হায়বগী ৱাফমগা মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেসন অদুনা মরম ওইদুনা মশানা মরাল লৈ হায়জবা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী অমত্তা ঙাইরবা মেম্বর ওইরিবা মাইকল ফ্লিনবু চৈরাক পীগদৌরিবা জজগী গাইদেন্স ওইনা ম্যুলরগী ওফিসনা মেমো অদু ফোঙখিবনি।

মহাক দিসেম্বর ১৮ দা দিষ্ট্রিক্ট ওফ কলম্বিয়াগী য়ু এস দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা মরালগী চৈরাক পীগনি। ফ্লিননা মহাক এফ বি আইদা অরানবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীখিবগী মরাল লৈ হায়বা য়াজখি। ত্রম্পনা ওফিস পায়দ্রিঙৈদা মহাক্না ৱাশিংতন্দা লৈবা রসিয়ন এম্বেসেদরগা য়ু এসনা রসিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোক্নবগী মতাংদা খন্নখি হায়বা ৱাফম ফ্লিননা য়াখি। মদুদসু নত্তনা ৱারী শানখিবদুগী মতাংদা মহাক্না য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্টদা মীনম্বা ঙাঙখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মেমো অদুনা হায়, ফ্লিননা ইনভেষ্টিগেসন কয়াদা মতেং পাংখি অমসুং রসিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং ত্রম্প কেম্প্যেনগী মরক্তা করি করম্বা মরী লৈনবগে হায়বগী মতাংদসু মহাক্না ইনফোর্মেসন পীখি। ফ্লিনগী শিংথা-নিংঙাই ওইরবা মিলিটরি অমসুং পব্লিক সার্ভিস অদুগীদমক্তসু ঐখোয়না মহাকপু খন্নফম থোকই। মহাক্না গভর্ণমেন্টদা মতম চানা অমসুং শিংথানিংঙাই ওইনা মতেং পাংখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না মেমো অদুদা পনখি। হান্নদি রসিয়াগা লৌতুনখিবগী অকুপ্পশিং মেমো অদুনা য়াওহনবা য়াগনি হায়না খন্নখি, অদুবু হৌজিক চত্থরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতাংদা অরুবা ৱাফম খরা লৈবদগী ৱারোল খরদি সিল তৌখি।

ফ্লিনগী ৱাফমশিংগা মরী লৈনবা মেমো অদুগী মশাদা তোঙান্না হাপচিল্লকপা ৱারোলশিং কন্না সেন্সর তৌখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক চত্থরিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী শরুক ওইনা ফ্লিননা ত্রাঞ্জিসন টিম অমসুং রসিয়ন গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগী মরক্তা লৈখিবা ইন্টরএক্সনশিংগী হকথেংনবা পাউদম পীখি হায়না মেমো অদুদা পনখি। অচম্বা সেন্টেন্স অমদা দিফেন্দন্টনা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমদা ফজনা মতেং পাংখি হায়না ইরি তৌইগুম্বসুং মখা তাবা ৱাহৈশিংদি পুংমম মমহনবা উখি।



# রসিয়ানা ব্লেক সীগী লমদমদা জহাজ অমসুং মিসাইল দ্রিল হৌখ্রে

মোস্কো, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা থাদা ক্রিমিয়াগী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা য়ুক্রেনিয়ন নেভিগী জহাজ অহুম অমসুং মখোয়গী ক্রুশিং ফাখিবগী মতাংদা টেন্সন লৈনরিঙৈ মরক্তা রসিয়ানা ব্লেক সীগী লমদমদা নেভি অমসুং লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপ্পা মিসাইল-শিংগী দ্রিলশিং পাঙথোক্লি।

রেষ্টোর-ওন-দোন বি-২৩৭ অমসুং ষ্টারি ওস্কোল বি-২৬২ হায়না মিংথোনবা সববেরিন অনীনা ইমর্জেন্সি দিপ্লোইমেন্টশিং প্রেক্টিস তৌখি। প্রেক্টিসশিং অদুদা সমুদ্র অমসুং সমুদ্র মপানগী টার্গেটশিং মশক খঙদোকপা, মিসনদা য়াওবা অমসুং রোকেট কাপ্তুনা টার্গেটশিং থুগায়বা য়াওখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোক্লি। ব্লেক সীদা লৈবা ফ্লীটকী সবমেরিনশিংগী ক্রুশিংনা অরুবা ঈশিং ঈরোন্নুংনা দাইভিং প্রেক্টিসসু তৌগনি অমসুং ইমর্জেন্সিগী ফীভমদা ঈশিং ঈমায়দা কাখৎলকপসু প্রেক্টিস তৌগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা দ্রিল হৌবা নৎত্রগা লোইবগী তারিখশিং পনখিদে নৎত্রগা সবমেরিনগী এক্সর্সাইজশিংদু ব্লেক সী অমসুং কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ানা লৌশিনখিবা ক্রিমিয়ন পেনিনসুলাদা পাঙথোকপা অচৌবা দ্রিলশিংগী শরুক অমরা হায়বগী মতাংদসু পনখিদে। রোকেট কাপ্পগী এক্সর্সাইজ অদু দিসেম্বর ৩ দগী দিসেম্বর ৬ ফাওবা চত্থরবা য়াই হায়না টর্কিশ নেভিনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রিমিয়াগী নোংপোক্তা লৈবা ময়াই ওইরপ শানবা পান্টসির সর্ফেস-টু-এইয় মিসাইল সিষ্টেমশিংনসু নোংথক্কী টার্গেটশিং দিটেক্ট তৌবা, মশক খঙদোকপা অমসুং কাপথবনচিংবা প্রেক্টিস তৌখি। রসিয়ানা হৌখিবা নবেম্বর ২৫ দা য়ুক্রেনগী আরমর্দ অর্টলরি ভেসেল মচা অনি অমসুং তগ হি অমগা লোয়নননা মখোয়গী ক্রুশিং ফাজিনখিবদগী রসিয়া অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা এক্সর্সাইজশিংদু পাঙথোক্লিবনি।

নাটোগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ব্লেক সী লমদমগী মতাংদা য়ুক্রেন অমসুং জোর্জিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টিরশিংগা খন্ন-নৈনখি। নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনসু হায়খ্রে মদুদি, রসিয়াগী অকল-অরিং শিংবা থৌওংশিংগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা লুচিংবা মিলিটরি এলাইঅন্স অদুনা লমদম অদুদা মিলিটরি পাঙ্গল হেন্না কনখৎনবগী থৌরাংশিং লৌখৎলে।

# ‘এম পিশিংনা বৃটিশ মীয়ামদগী ব্রেক্সিট হুনবা হোৎনরকপা য়াই’

লন্দন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

করিগুম্বা তেরেসা মেগী দিল য়াখিদবা তারবদি এম পিশিংনা বৃটিশ মীয়ামদগী ব্রেক্সিট হুখিবা য়াবগী খুদোংথিনিংঙাই ফীভম অমা লৈ হায়না সিনিয়র এদভোকেট মিনিষ্টর অমনা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

সিনিয়র কেবিনেট মিনিষ্টর লিয়াম ফোক্সনা হায়, মহৌশানা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং খুদিংমক মেজোরিটিনা শৌগৎলিবা পার্লিয়ামেন্টতা (হাউস ওফ কম্মন্স) তা এম পি খরদি গভর্ণমেন্টকী থৌরাংগী মায়োক্তা লৈবগুম তৌরি। অদুবু কুমজা ২০১৬ কী রেফদরেন্দম ভোট চৎনহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি দিমোক্রেসিবু মায় পাকহন্দনবগী খোঙথাং অমা ওইগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী দিল অদু মায়থিবা নংলবদি হায়দুনা এম পিশিংনা দিলগী এমেন্দমেন্টদা ইথিল হেন্না পীনবগী ৱাফম শৌগৎতুনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ভোট পীনখিবা মতুংদা চেকশিনৱা অসি লাকখিবনি। মদুগী মতুংদা মিনিষ্টরশিংনা এম পিশিংবু প্রাইম মিনিষ্টর মেগী ৱিথদ্রোৱেল দিল শৌগৎহন্নবা অঙন্বী থাক্তা হোৎনবা চঙগদৌরি। হিরম অসিদা মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা অহল্লক মায়থিবা নংখ্রে। কম্মন্সতা নুমীৎ মঙানি দিবেট চত্থবগী ঙসি নীনি চনবা নুমীৎতা সিক্যুরিটিদা মীৎয়েং থমগনি।

# চহী ২৮ গী মতুংদা সোমালিয়াদা য়ু এসকী দিপ্লোমেটিক মিসন অমুক হন্না হাংখ্রে



মোগাদিসু, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

চহী ৩০ রোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সোমালিয়াদা দিপ্লোমেটিক মিসন হাংখ্রে। পুৱারীদা লৈহৌরগদবা খোঙথাং অদুনা নোংপোকথংবা অফ্রিকাগী লৈবাক অদুগী প্রোগ্রেস উৎলি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

কেপিটেল মোগাদিসুদা হাংলিবা এম্বেসী অদু এম্বেসেদর দোনাল্ড য়ামামোতোনা লুচিংখি। হান্নদি ইষ্ট অফ্রিকাগী য়ু এস এম্বেসী অদু নাইরোবি, কেনিয়াদা থল্লমখি। য়ু এসনা সোমালিয়াগী এম্বেসী অদু লালহৌবশিং অমসুং গভর্ণমেন্টগা কন্না লান শোক্লরিঙৈ কুমজা ১৯৯১ গী জান্যুৱারিদা থিংজিনখিবনি। ঈরাং মরক্তুনা এম্বেসেদর অদুগা লোয়নননা ষ্টাফ অপুন্বা তঙাইফদনা প্লেনদা হোন্দোকখি।

খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অদুগী মতাংদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপার্সন হিদর নাউঅর্টনা হায়, হিষ্টোরিক খোঙথাং অসিনা হন্দক চহী খরসিদা সোমালিয়াদা কদায় ফাওবা অওনবা লাক্লবগে হায়বদু উৎলি। লোয়নননা মসি কুমজা ২০১৩ দা সোমালিয়াগী ফেদরেল গভর্ণমেন্টবু মশক খঙখিবদগী হৌনবী মতুংইন্না য়ু এসনা দিপ্লোমেটিক এনগেজমেন্ট হৌবগী মায়কৈরোমদা থাংজিল্লকপা শিংথানিংঙাই ওইরবা অতোপ্পা খোঙথাং অমনি। লৈবাক অদুদা দিমোক্রেসি লিংবা, মরা চেৎপা ফীভম লৈহনবা অমসুং শেল-থুম চাউখৎহনবা হায়বসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অপাম্বনি হায়বসি ঐখোয়না অমুক হল্লক্লিবসিনা উৎলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অল-সবাবগী লালহৌবশিংনা অকিবা খরা পোকহল্লবসু মোগাদিসুদা হন্দক সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎখি। অফ্রিকান য়ুনিয়নগী ত্রুপশিংনা লুচিংদুনা চত্থখিবা লান্দা অমদা অল-সবাবপু কুমজা ২০১১ গী ওগষ্টতা কেপিটেলদগী নম্ফুদা তান্থোকখি। তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসি কেপিটেলগী অকোয়বা মফমশিংদা হৌজিকসু লিংনা ওপরেট তৌরি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৭ কী মার্চতা অল-সবাবকী মায়োক্তা চত্থবা ওপরেসনশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনখি। চৎলিবা চহী অসিদসু য়ু এস মিলিটরিনা দ্রোন ষ্ট্রাইক কয়া য়াওনা সোমালিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৯৯৩ দা মোগাদিসুদা মিলিস্যাশিংগা লান্থেংনখিবা স্পেসল ফোর্সেসকী লান্মী ১৮ লানফমদা শিখিবদগী য়ু এসকী প্রসিদেন্টশিংনা সোমালিয়াদা খুৎ থিংজিনবা পাম্নখিদবনি।

# চাইনা-য়ু এস ট্রেদ : চাইনানা ট্রেদ কম্মিটমেন্টশিং থুনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়খ্রে



বৈজিং, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

য়ু এসতা লল্লোন-ইতিক্কী হিরমদা থাজবা পীখিবশিং য়ারিবমখৈ থুনা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়না চাইনিজ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা চত্থরিবা লল্লোন-ইতিক্কী লানদা লৈবাক অনীমক্না অমনা অমগী পোৎচৈশিংদা দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী দ্যুটিশিং লৌনরি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা অর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা জি-২০ গী সম্মিটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা মতম খরগী ওইবা ত্রুস অমা য়ানখি। তৌইগুম্বসুং নাকল অনীমক্তগী লাল্লিবা ঈ-পাউদা খেন্নবা খরা লৈবদগী চমন্নবা খরদি থোকপা উখি।

থা কয়ামুক অমগা অমগা লমন খুন্নদুনা তারিফশিং লৌনরম্লবা মতুংদা য়ু এস অমসুং চাইনানা অমগা অমগা য়েংথিনবা তোক্তুনা নুমীৎ ৯০ নি অনৌবা দ্যুটি অমত্তা লৌনদবগী ৱাফম অমা য়ানখি। মসিনা লল্লোন-ইতিক্কী লান হেন্না চাউথোক্লম্বা য়াবগী ফীভমদগী কনখি।

চাইনাগী পোৎচৈশিংদা হান্নদগী লৌরকখিবা তারিফশিং চহী অসি হৌরকপদা হেনগৎপগী ৱাফম লৈখি। মদুদা নত্তনা অহেনবা তারিফশিং লৌরগনি হায়নসু কিহনবা লৈখি। ৱারী শানখিবদগী ত্রম্পনা ত্বিটরদা অকুপ্পশিং ইখি তৌইগুম্বসুং ৱাফম খরদি হ্বাইট হাউসকী ওফিসলশিংনা পল্লিবশিংগা মান্নখিদে অমসুং বৈজিংনা হিরম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট অমত্তা পীরক্ত্রি। চমন্নবদুনা মরম ওইদুনা লল্লোন-ইতিক্কী লান লোইশিন্নবা ৱারী শানরিবদু মায় পাক্কদরা হায়বগী মতাংদা মীওই কয়াদা চিংনবা পোকহনখি। লান অদুনা ইকনমিদা পাক্তুনা অকায়বা লাকহনবা য়াই হায়বগী অকিবা পোকহনখি।

চাইনাগী ফজদবা ট্রেদ প্রেক্টিসশিংনা ট্রেদ দেফিসিট চাউনা লৈহনবদা মতেং পাংখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা য়ু এসনা চাইনাবু ইন্টলিকচ্যুএল প্রোপর্টি হুবগী মরালসু শিখি। হৌখিবা জুলাইদগী য়ু এসনা চাইনাগী পোৎচৈশিংদা দোল্লর বিলিয়ন ২৫০ গী তারিফশিং লাউথোকখ্রে।











